# মালেমদা খ্বাইদগী পাম্না ফাগদৌবগী তান্নরিবা দ্রগ লোর্দ 'এল চাপো' ফারে



বেঙ্গাজি, জন্যুৱারী ০৯ ঃ

মেক্সিকান মেরিনশিংনা ঙরাং ইচং থৌনা চথখিবা রেইদ অমদা মালেমগী খ্বাইদগী ৱান্টেদ ওইরবা দ্রগ লোর্দ ফাবা ঙমখ্রে। মহাক হৌখিবা থা তরুক্কী মমাঙদা সিক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৈবা জেল অমদগী লৈনুং হুৎলগা চেনখিবনি।

হোল্লিৱুদকী সিনেমাদা তৌবগী মওংদা মহাক্না জেলদগী নাম্থোকখিবদুনা মরম ওইরদুনা মেক্সিকো অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মরী শোকচিল্লুরবনি।

পৱারফুল ওইরবা সিনালোৱা কার্টেলগী মকোক জোকিন "এল চাপাও" গুজমেননা জেলদগী নাম্থোকখিবা মতমদুদা হোল্লিৱুদকী ফিল্ম অমা পুথোকপগী ৱাখল খল্লমগনি হায়রি।

ওথোরিটিশিংনা মহাকপু থিবদা কোষ্টেল সীটি অমগী য়ুম্লক্তা চঙদুনা ফাওবা থিরিবদু মহাক্না মহাক্কী পুন্সিগী ৱারীদা য়ুম্ফম ওইরগা ফিল্ম অমা পুথোকপা পাল্লম্বা অমসুং মহাক্কী মীশিংনা এক্টর অমসুং প্রদ্যুসরশিংগা পাউ ফাওনরম্বননি হায়না এটোর্নি জেনরেল অরেলি গোমেজনা ঙরাং অথেংবদা ফোঙদোকখি।

"হোল্লিৱুদকী মওংদা মহাক্কী পুন্সি ৱারীবু ফিল্ম ওইনা পুথোক্লবগীদমক্তা মহাক্না এক্ট্রেসশিং অমসুং প্রদ্যুসরশিংগা ঈ-পাউ ফাওনখি অমসুং মসিনা মহাক্কী মরমদা থিজিন্নবগী অনৌবা শক্তম অমা ওইরকখি হায়না গোমেজনা হায়খি।

থা তরুক চুপ্না কুপ্না থিজিল্লবা মতুংদা ঙরাং মহাকপু ফাননবগী ওপরেসনদু পাঙথোকখিবনি। হৌখিবা থাদা গুজমেনবু মেক্সিকান ফোর্সশিংনা দুরাঙ্গো ষ্টেটতা লৈরে হায়বা খঙলকখি তৌইগুম্বসুং নুপী অনীগা অঙাং অমগা লোইনরম্বদগী মহাকপু নোংমৈনা কাপখিদবনি। মদুগী মতুংদা মহাক মপানগা ঈ-পাউ ফাওনদনা লৈরুরবা মতুং হৌখিবা দিসেম্বর থাদা লোস মোচিসতা হোংখিবনি হায়খি।

এটোর্নি জেনরেল গোমেজগী মতুং ইন্না, গুজমেন্না জেলদগী নাম্থোক্লবা লৈনুং হুৎপদা য়াওখিবশিংদুগী মনুংদা অমনা মেক্সিকান ওথোরিটিশিংবু লো মোচিসকী মফম অমা তম্না পুখি। মখোয়না মফমদু থা অমরোম চুপ্না কুপশেন শেন্নখি। টিম অদুনা হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা মখোয়না শেন্নবা য়ুমদুদা এক্টিভিটি খরা উবা ফংবগা লোয়নননা মথং শগোলশেন নুমিৎতা কার অমা লাক্তুনা খাম্বসু উখি। অসুম্না ওথোরিটিশিংনা য়ুমদুগী মনুংদা গোজমেন লৈরে হায়বসি খঙবা ঙমখিবনি হায়রি।

মেক্সিকান মেরিনশিংনা ইরাই নুমিৎকী অঙনবদা য়ুমদুদা চঙশিল্লুবদা গনমেনশিংনা নোংমৈ কাপথোরকখিবগা লোয়নননা নাকল অনীগী মরক্তা খুৎ থোক্লখি। সিনোলুৱা কার্টেলগী মীওই মঙা মেরিনশিংনা হাৎখি অমসুং অতৈ তরুক্না ফাখি। থৌদোক্তুনা মেরিন অমা শোকখি।

দ্রগ কার্টেল লিদর অদু হৌজিক অলটিপানো হায়না খঙনবা অকনবা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাংগা লোয়নননা ঙাক শেনবা জেল অদুদা থাজিল্লগনি।

মহাক হৌখিবা জুলাই ১১ দা সৱার ষ্টোলদা হুৎপা টনেল অমা ফাওরগা জেলদুদগী নাম্থোকখিবনি হায়না গোমেজনা ফোঙদোকখি।

মেক্সিকোগী লিদরশিংনা গুজমেনবু য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা থাননবা ৱারেপ লৌখ্রবসু ঙরাং মহাকপু ফারবা মতুংদা হীরম অসিগী মতাংদা মখোয়না ৱারী শাননবা হোৎনখিদে। মহাকপু মরালগী মতুং ইন্না ৱায়েল চথনবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা থাবা হায়বসি প্রোসেস শাংবা থবকনি হায়রি।

গুজমেনবু ঙরাং মুরৈনবা হিগোক মচুগী এথলেটিক ফিজোলদা মিদিয়াগী মমাঙদা পুথোকখি। মহাকপু মেরিনশিংনা মপান্থোম পায়দুনা পুরগা হেলিকোপ্টর অমদা কাখৎহনখি।

গুজমেন ফারে হায়বগী পাউ হেক ফংবগা খুদক্তা মহাকপু য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা থারক্লবা অমেরিকান সেক্সন কয়াদগী হায়রকখি। য়ু এসকী প্রসিদেন্ট মীখলদা রিপব্লিকানগী কেন্দিদেট অমা ওইরিবা ফ্লোরিদাগী সিনেটর মার্কো রুবিয়োনা গুজমেনবু য়ু এসতা থারক্তুনা ৱায়েল চথনবা অথুবা খোঙথাং লৌখৎকদবনি হায়খি।

মমাঙদা এল চাপোনা মেক্সিকোগী জেলদগী অনীরক নাম্থোকখিবসি য়েংলবা মতুংদা হন্দক্কী অহুম্লকশুবা তাঞ্জাসিদদি মহাক ৱায়েল চৈরাক্তগী নাম্থোকহনবা য়াদে হায়না রুবিয়োনা হায়খি।

# সাউথ কোরিয়ানা অরানবা ৱাফম শন্দোক্তুনা লাল থোকহন্নবা হোৎনরে : নোর্থ কোরিয়া



পিয়োংয়াং, জন্যুৱারী ০৯ ঃ

নোর্থ কোরিয়াগী মরিশুবা ন্যুক্লিয়র চাংয়েংগী মায়োক্তা সাউথ কোরিয়ানা এন্টি-পিয়োংয়াং ওইবা প্রোপেগন্দা লেপ্তুনা শন্দোকপবু কন্না য়ানীংদবা উৎলদুনা থৌওং অদু কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা লাল থোক্লক্লবগী মরম অমনি হায়না নোর্থ কোরিয়ানা সাউথ কোরিয়াদা ৱার্নিং তৌখ্রে।

নোর্থ কোরিয়াগী প্রোপেগন্দাদি অমাঙ-অতা, অশি-অনা থোকহনবগী ৱাফম ঙাক্তনি অদুবু লৈবাক অসিগী তৌনিংবদা তৌবা লুচিংববু ক্রিটিসাইজ তৌরুবা থোক্লবদি লৈবাক অসিনা খাঙদুনা লৈবা তৌরোইদৌরি। থা মঙাগী মনুংদা ইহান হানবা ওইনা সিওলনা ঙরাংদগী বোর্দর লান্না প্রোপেগন্দা ব্রোদকাষ্ট তৌবা হৌখিবনি হায়রি।

সাউথ কোরিয়ানা বোর্দর লান্না শেরান-তুরানবা ৱাফম কয়া শন্দোক্লিবদু লালগী থৌওংনি হায়না নোর্থ কোরিয়ানা হায়রি।

পিয়োংয়াংগী কিম ইল সুং স্কুয়েরদা অচৌবা মীটিন অমদা ৱা ঙাঙলদুনা রুলিং পার্টিগী তোপ ওফিসল অমনা হায়খি, সাউথ কোরিয়াদা য়ু এসকী ন্যুক্লিয়র বোম পুবা ঙম্বা অফবা মখলগী লালগী প্লেনশিং দিপ্লোই তৌনবা ৱাশিংটনগা সিওলগা ৱারী শান্নখিবগী মতাংদা বোর্দরদা প্রোপেগন্দা কয়া শন্দোকপনা কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা লাল থোক্লকপা য়াবগী ফীভম অমা লাকহল্লে।

পিয়োংয়াংগী মায়োক্তা লৈবা লৈবাকশিংনা নোর্থ কোরিয়াগী হায়দ্রোজেন বোম চাংয়েংবু কল্লকই হায়না ৱারকর্স পার্টিগী সেক্রেটরি কিম কিনামনা ঙরাং অথেংবদা শন্দোকখিবা ষ্টেট টিভিগী ব্রোদকাষ্ট অমদা হায়খি।

ঙরাং লৈবাক অনীগী ঙমখৈ পরিং মনাক নক্না লৈবা সাউথ কোরিয়াগী মফম তরাদা লৈবাক অদুগী লান্মীশিংনা লাউদস্পিকরশিং শীজিন্নদুনা প্রোপেগন্দা কয়া শন্দোকখি।

মখোয়না বোর্দরদা মীৎকুপ নাহুম শিংনা লৈরিঙৈ মতমদুদা নোর্থ কোরিয়াগী মিলিটরিগী মায়কৈদগী মহৌশাগা মান্নদবা মওংদা চথোক-চৎশিন তৌবনচিংবা অমত্তা উবা ফংখিদে হায়না মশক মমিংদি তাকথোক্তবা সিওলগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী ওফিসল অমনা হায়খি।

সাউথ কোরিয়াগী য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সীগী পাউগী মতুং ইন্না, নোর্থ কোরিয়ানা কাইহৌরকপা মতমদা খুদক্তা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাং লৌখৎনবা সিওলনা বোর্দর মনাক্তা মিসাইলশিং, অর্টিল্লরি অমসুং অতৈ খুৎলাই সিষ্টেমশিং দিপ্লোই তৌরে।

ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না সাউথ কোরিয়ানা বোর্দরদা লাউদ স্পিকরদা ব্রোদকাষ্ট তৌরিবদু অয়ুক-নুংথিলগী মতমদা কিলোমিটর ১০ রোম শান্না চৎলি অদুগা অহিংগী মতমদনা কিলোমিটর ২৪ ফাওবা থাপ্পা মফমদা তাবা ফংই। সাউথ কোরিয়াগী ব্রোদকাষ্টশিং অদুদা পাউ অমসুং পোপ ম্যুজিক য়াওজরবসু অয়াম্বা প্রোগ্রামদি নোর্থ কোরিয়াগী গভর্ণমেন্টবু হকথেংননা শীংনৈ হায়রি।

অৱাংলোমগী কোরিয়ানশিংনা সোসাইটিদা হিংবা মতমদা লন্নাই পুন্সি মহিংদা অয়েৎপা অপনবা পীদনা হিংবা য়ারগনি হায়না ঐখোয়না থাজে হায়না নুপী প্রজেন্টর অমনা লাউদস্পিকরগী খুত্থাংদা শন্দোকপা ব্রোদকাষ্ট অদুদা ফোঙদোকখি। অসিগুম্বা ব্রোদকাষ্টশিং সাউথ কোরিয়াগী ওফিসলশিংনা তুংদা মিদিয়াদা অমুক ফোঙদোকই হায়রি।

# 'পাকিষ্টান্না পথানকোট এটেক্তা চেন্নবশিং এক্সন লৌগদবনি'

ৱাশিংটন, জন্যুৱারী ০৯ ঃ

পথানকোটতা লৈবা এয়রফোর্সকী বেজদা টেররিষ্টশিংনা এটেক তৌখিবদুগী মতাংদা পাকিষ্টানা মপুং ফানা থিজিন্দুনা মদুদা চেন্নবশিং ৱায়েল চথগদবনি তৌইগুম্বসুং মদুগী থবক্তু নম্ফুদা থুজিনহনবদি ঙমদে হায়না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ফোঙদোকখ্রে।

পাকিষ্টানিশিংনা থৌদোক অদুগী মরমদা থিজিল্লগনি হায়না থাজবা পীরক্লে, অদুনা মখোয়না মপুং ফানা থিজিল্লবা মতুংদা লাকপা রিজল্টশিংদু ঐখোয়না য়েংনিংই হায়না ষ্টেট দিপার্টমেন্টগী স্পোক্সমেন জোন কির্বিনা হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙবদা হায়খি। তৌইগুম্বসুং থিজিনবদু কয়াম কুইনা চঙগনি নৎত্রগা মদুগী স্কোপকী মরমদা মহাক্না হায়বদি ঙমদে, মদুদি ইস্লামাবাদতা লৈবা মরী লৈনবশিংগা ৱারী শান্নরগা খঙগদবনি হায়না মহাক্না হায়খি।

পথানকোটকী এটেক অদু বেন তৌখ্রবা ওর্গনাইজেসন জাইস-ঈ-মহমদ অমসুং মসিগী লুচিংবা মৌলানা মশুদ অঝাদকী খুৎনি হায়না ইন্দিয়ানা ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা পাকিষ্টানদা করি হায়বা লৈরবগে হায়না হংবদা কির্বিনা হীরম অসিগী মতাংদা পাকিষ্টানগা ৱারী শান্নে হায়খি।

কির্বিনা পাকিষ্টানগা দিপ্লোমেটিক্কী ওইনা ৱারী শান্নবগী অকুপ্পা মরোলদি পীদবীদা পাকিষ্টান্নসু এটেক অদু কন্দেম তৌবগা লোয়নননা থিজিল্লগনি হায়বগী থাজবা পীরে হায়খি।

পাকিষ্টান্না পায়খৎপা কাউন্টর টেররিজমগী ওপরেসন্সকী শরুক অমা ওইনা টেররিষ্ট গ্রুপশিংগী মরকতা মখোয়না খেন্নবা থল্লোই হায়না মহাক্না মখা তাখি।

কুমজা ২০০৮গী নবেম্বরদা মুম্বাইদা টেররিষ্টশিংনা চথখিবা অমেরিকান তরুকসু হাৎখিবা এটেকশিং অদুগী মতুংদা য়ু এসনা পাকিষ্টানদা টেররিষ্টশিংগী মথক্তা এক্সন লৌখৎনবা হায়বদা করিসু কান্নখিদবনি হায়না হৌদোকপদা কির্বিনা হায়খি, কনামত্তনা হৌখিবা চহী ১০ রোমদা লৈরিবা য়ু এসকী কাউন্টর টেররিজমগী রেকোর্দতা য়েংলগা ঐখোয় থবক করিমত্তা পায়খৎতে হায়বা লৈতে।

হীরম অসিগী মতাংদদি লমদম অসিদা লৈরিবা লৈবাকশিংনা হেন্না থবক তৌবা ঙমই। মসিগী ৱাখলদা ঐখোয়না টেররিজমগী অকিবা অসিবু থেংননবা মরী লৈনবা লৈবাকশিংদা পুন্না হোৎনমিন্ননবা, ৱারী শান্ননবা অপিল তৌরিবনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# চাইনানা পাইরেসি থিংনবা সবমেরিন থাজিল্লকপগী মরম হংখ্রে

ৱাশিংটন, জন্যুৱারী ০৯ ঃ

চাইনানা ইন্দিয়ন ওসিনদা এন্টি পাইরেসি ওপরেসন চথনবগীদমক সবমেরিন থাজিল্লকপগী মতাংদা নুংগী ওইবা ৱাফম করিনো হায়না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী এদমিরেল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়ন ওসিন রিজনদা চাইনিজ মিলিটরিনা থবক থৌরম কয়া লৌখৎলকপদা ইন্দিয়ানা নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা য়ু এস এদমিরেলনা ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি।

য়ু এসকী পেসিফিক ফ্লীট কম্মান্দর, এদমিরেল স্কোট স্বীফ্টনা হায়খি, মতম শাংনা মেরিটাইম কম্মান্দর অমা ওইনা থবক তৌদুনা লাকপা সবমেরিনবু এন্টি পাইরেসি ওপরেসন চথবদা শীজিন্নবা থেংনবসি হন্দক্না অহানবনি।

চাইনানা হন্দক মরক "ষ্ট্রিং ওফ পর্লস" হায়না খঙনবা ইন্দিয়ন ওসিনরিমদা অনৌবা হিথাংফম কয়া শেমগৎলকখিবগা লোয়নননা মিলিটরিগী ওইবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎতুনা লাকখি।

হন্দক্তসু ঙমখৈ ৱাংমা লান্না অফ্রিকাগী লৈবাক অমা ওইরিবা জিবোটিদা মিলিটরি বেজ অমা শেমগৎপা হৌখি। অনৌবা মিলিটরি বেজ অদু চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিনদি ইচম চম্বা নেভিগী জহাজ থাফমনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

এদমিরেল স্কোট স্বীফ্টনা হায়খি, চাইনাগুম্বা মালেমদা মতিক ময়াই লৈরবা লৈবাক অমনা অরোনবা মওংদা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসি চিংননীংঙাই ওই।

সাউথ চাইনা সীদা থোরক্লিবা চয়েৎনবা ৱাফম অমগী মতাংদা এদমিরেলনা হায়খি, চাইনানা ইন্টরনেসনেল স্পেসতা নেসনেল লোচৎনহন্নবা থৌরাং লৌখৎলকপনি। ৱাফম অসি মালেমগী অতৈ লৈবাকশিংনা য়াফম থোক্তে।

চাইনানা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা মিলিটরিগা মরী লৈননা লৌখৎলক্লিবা থৌরাংবু অকনবা মওংদা য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা লাকখিবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা হায়খি মদুদি, মালেমগী ওইনা লৈরিবা ঈশিং লম্বীদা লৈবাক খুদিংমক্না মনিং-মখা তৌনা শীজিন্নবা য়াহনগদবনি।

HL-P/2887/9,10,11,12,13 & 14

ꯊꯕꯛ ꯃꯇꯦꯡ/JOB VACANCY

Regd. 1400621-03550 pt - 1 (micro) Government of Manipur

**Sl. 1. Direct Selection of Airport vacancy for Domestic and International**

I. Ground Staff, Cabin Crew, Air Ticketing *Post : 10 Qualification : X-XII Salary : 12,000 -25,000* II. Loader, Cargo Driver, Flight Cleaner, *Post : 10 Qualification : VIII - Above Salary : 10,000 -20,000*

**Sl. 2. Banking Staff for Newly Opening District wise in Manipur** (6 months with salary)

I. Account Opening, Loan RecoveryTraining, Gold Loan, Credit Card *Post : 5 Qualification : XII-Grad. Salary : 12,000 -25,000*

II. Mobile Banking, Sitting Staff *Post : 10 Qualification : XII-Grad. Salary : 15,000 -27,000* III. ATM Security, Banking Security *Post : 8 Qualification : VIII-X Salary : 10,000 -18,000*

**Sl. 3. Direct Joint, Semi-Govt./Micro Finance/Other** (100% success)

I. Security, Choukidar, Helper, Gunman *Post : 15 Qualification : VIII-Above Salary : 5,500 -8,500* II. Grass cutter, Cook, Malli, Sweeper, Peon, Driver *Post : 8 Qualification : VIII - Above Salary : 6,000 -9,000*

**Sl. 4. Pvt. Office, Hotel, Hospital, MNC - Company Staff in Imphal**

I. Reception, Asst. Manager, Mali Reception *Post : 10 Qualification : X-XII Salary : 4,500 -7,500* II. Data Entry, Computer Operator *Post : 15 Qualification : X-XII Salary : 5,000 -8,000* III. GNM/ANM, X-Ray, Lab Technician *Post : 9 Qualification : X-XII Salary : 4,500 -7,500* IV. Medical Representative & Medical Transcription *Post : 10 Qualification : X-Above Salary : 9,000 -12,000*

**Sl. 5. Direct Joint for North East (Fooding-Loading free) Staff Nurse**

I. ANM & GNM *Post : 10 Qua. : X-Grad. Salary : 17,000 -25,000*

**Sl. 6. Reputed Mobile Company Staff : Male/Female**

*Qualification : XII-Above, Post : 20, Salary : 8,000-15,000*

*Qualification : XII-Grad, Post : 10, Salary : 15,000-20,000*

***Last Date : 14/01/2016 Interview on : 15/01/2016***

ইশাগী অহাংবা মতমদা **Extra Income** তান্নিংবা **Student, Housewife, Unemployed, Employed** শিংদগী দরখাষ্ট কৌজরি। **Qualification : VIII-Above, Income : 10,000-25,000 (per month)**

**Sd/- Rising Star Collaboration**
**Kwakeithel Thoudabhabok near Akash Institute**
**# 9089776553 # 8014741601 # 9856470948**

# ইস্লামিক ষ্টেট শৌগৎপা অমনা নোংমৈ কাপশিল্লকখ্রে



ফিলাদেলফিয়া, জন্যুৱারী ০৯ ঃ

ইস্লামিক ষ্টেটকী লালহৌবশিংবু শৌগৎপনি হায়বা গনমেন অমনা নোংমৈনা কাপ্পদগী পুলিস ওফিসর অমা অরুবা ফীভমদা শোক্লে হায়না ফিলাদেলফিয়াগী পুলিস কমিস্নরনা ফোঙদোকখ্রে। ইস্লামগী মিংদা গনমেনদুনা থৌরক্লিবা কারদু এম্বুশ তৌখিবনি হায়রি।

ইদৱার্দ অর্চর কৌবা ফিলাদেলফিয়া মচা অদুনা ঙরাং অহিং নোংয়াই য়ৌরমদাইদা ওফিসর জেমি হার্টনেট তম্না চঙশিল্লগা নোংমৈ মরু ১১ কাপখি অমসুং মহাক্কী পাম্বোমদা মরু ৩ পানখি হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখি।

পুলিসনা থাদোকপা সর্ভিলেন্স ভিদিওদগী শিন্দোকপা ফোটোশিংদা অচোনবা ফিঙৌগী ফিজোল শেৎপা গনমেন অদুনা নোংমৈ কাপ্তুনা পুলিসকী কার তম্না চঙশিনবা উই। মমৈথংদা মহাক কারদুগী থোঙনাউ ফাওনা পোইন্ট-ব্লেঙ্কী রেঞ্জদা কাপ্পা য়াবা মওংদা ওফিসরদুগী মনাক ফাওবা নকশিনখি।

ওফিসর হার্নেটনা অর্চরবু তান্নখি অমসুং মদুদা মতেং পাংখিবা অতৈ পুলিস ওফিসরশিংনা মহাকপু ফাখি। অর্চর মশানা এটেক অদু য়াজখি হায়না পুলিসকী ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

ইস্লামগী মিংদা পাংদবগী থবক্তুমহাক্না পাঙথোকখিবনি হায়বা মশানা য়াজখ্রে হায়না রোশ কৌবা পুলিস ওফিসর অমনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

ৱাহং পাউহং চথবদা মশাগী চহী ৩০ শুরবা অর্চরনা মহাক ইস্লামিক ষ্টেটকী মিলিটেন্টশিংগা শম্মৈ হায়নসু ফোঙদোকচৈ হায়রি।

ফিলাদেলফিয়া পুলিসকী কেপ্তেন জেমস ক্লার্কনা পীবা ৱারোলগী মতুংইন্না, অর্চরনা ইস্লামিক ষ্টেটপু শৌগৎলি, অল্লাবু থাজৈ অদুনা মঙোন দা এটেক্তু চথহনখিবনি। য়ু এসকী তোপ মুস্লিম এদভোকেসি গ্রুপ অমনদি অর্চর অসি মুস্লিমগী অশেংবা চৎনবী ঙাকপা মীওই অমা ওইবগী খুদম লৈতে হায়খি।

হৌখিবা থা খরসিদা ইস্লামিক ষ্টেটকী কাঙবুশিংনা অমেরিকা অমসুং মালেমগী অতৈ লৈবাকশিংদা পরিং নাইনা এটেক কয়া চথরকখিবগা লোয়নননা য়ু এসকী ওফিসলশিং মীকুপ নাহুম শিংনা লৈরকপনি।

হৌখিবা নবেম্বর থাদা খুৎলাই পায়বশিং অমসুং সুইসাইদ বোম্বরশিংনা পেরিসতা এটেক কয়া চথদুনা মীওই ১৩০ হাৎখি। কালিফোর্নিয়াগী সান বর্নার্দিনোদা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অমদা ইস্লামিক ষ্টেটকা শম্নবা লুহোংবা কুইদ্রিবা মতৈ-মনাওনা মীওই ১৪ হাৎখি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা থোক্লিবা ইস্লামিক ষ্টেটকা মরী লৈনবা অসিগুম্বা থৌদোকশিংবু লুনা লৌরদুনা রিপব্লিকান গভর্নর খরা অমসুং প্রসিদেন্সল মীখলদা শরুক য়ারিবা মীওই খরনা সিরিয়াগী সিভিল ৱারনা মরম ওইদুনা লাঞ্জেল্লকপশিংবু য়ু এসতা চঙজফম পীবদা অথিংবা খরা থমগদবনি হায়রিবনি।

অর্চরনা চথখিবা থৌওং অদুদা ইস্লামগী অশেংবা ৱাখল্লোনগী মমি তাদে হায়না দেম্মক্রেট ওইরিবা ফিলাদেলফিয়াগী মেয়র জিম কেন্নিনা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙবদা হায়খি। থৌওং অদু ক্রিমিনেল অমনা অহুবা নোংমৈ পায়রগা চথখিবনি, কনামত্তনা ইস্লামগী ৱাখল্লোনদা চথখিবনি হায়না লৌরোই হায়না মহাক্না মখা তাখি।

য়ু এসতা লৈবা মুস্লিম এদভোকেসি গ্রুপ অমা ওইরিবা কাউন্সিল ওন অমেরিকান-ইস্লামিক রিলেসন্সনা পুলিস ওফিসর অমদা এটেক তৌখিবা অর্চর হায়রিবা মীওই অদু অশেংবা মুস্লিম অমনা তৌফম থোকপশিং চপ চানা ঙাক্না চৎপা মীওই মান্দে হায়খি।

# 'ফোর্স অৱেকন্স'না খ্বাইদগী শেল তানবা ফিল্ম ওইরে



কলিফোর্নিয়া, জন্যুৱারী ০৯ ঃ

হোল্লিৱুদকী ব্লোকবষ্টর মুভি "ষ্টার ৱার্স : দ ফোর্স অৱেকন্স" না য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং কনাদাদা মতম পুম্বগী ওইনা পাবদা খ্বাইদগী হেন্না শেল তানবা ফিল্ম ওইরে হায়না ৱাল্ট দিসনি কোনা ফোঙদোকখ্রে। হৌজিক ফাওবদা মপানগী বোক্স ওফিসশিংদা ফিল্ম অসিনা শেল তানবগী চাং দোল্লর মিলিয়ন ৮০০ য়ৌরে হায়রি।

হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ৱাল্ট দিসনিনা ফোঙদোকখিবদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস ষ্টার ৱার্স মুভিনা তানবা শেল দোল্লর মিলিয়ন ৭৫৮.২ য়ৌরে অমসুং মসি কুমজা ২০০৯দা "অভটার" রিলিজ তৌবদা রেকোর্দ ওইনা দোল্লর মিলিয়ন ৭৮০.৫ তানবা ঙমখিবদুদগী হেল্লগনি হায়খি।

মালেম পুম্বগী ওইনা পাবদা হৌজিক ফাওবদা "দ ফোর্স অৱেকন্স" না দোল্লর বিলিয়ন ১.৫ তানখিবগা লোয়নননা রিলিজ তৌবা মতুং চয়োল অহুমখক্কী মতুংদা মরিশুবা খ্বাইদগী হেন্না শেল তানবা ঙম্বা ফিল্ম ওইরে হায়না দিসনিনা ফোঙদোকখি।

"অভটার" না দোল্লর বিলিয়ন ২.৮ তান্দুনা মালেমগী রেকোর্দ থমখিবদু মায়থীবা পীনবগীদমক্তা ৱাল্ট দিসনিগী "দ ফোর্স অৱেকন্স" অসি চাইনাদা মীয়াম্না পাম্না য়েংনবা চঙই হায়না বোক্স ওফিস এনালিষ্টশিংনা ফোঙদোকখ্রে। চাইনাদা ফিল্ম অসি ঙসিদগী বোক্স ওফিসতা শান্নবা হৌগদবনি।




Phicomm Mobiles which was available only at ONLINE STORES, now available at the market.

PHICOMM
(( YOUR PORTAL TO SMART LIFE ))

Launching
Phicomm Clue 630

4G Roaming Support
Speed up with the latest 4G LTE
Support Dual Micro SIM.
Support Mobile Data Service While Calling On The Phone.

4G

Only at Rs. 5699/-

* Android 5.1(LOLLIPOP)
* Ultra Compact, Ultra slim
* 5" FWVGA Display
* Qualcomm Quad-Core, Snapdragon Processor
* 5MP FF + 2MP
* 1GB DDR3 RAM+8GB ROM (Expandable to 64GB)

2300mAh

HL-B/2844/13/12-12/01

ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY

ADMISSION OPEN - FOUNDATION COURSE FOR CLASS I to X (Starts on 7th January 2016)

BOARDING FOR CATHOLIC SCHOOLS, HERITAGE, IBOTONSANA, T.G., REGULAR, IPS, STANDARD ROBERT, ETC.

FACULTY : RESOURCE PERSONS & FORMER HEAD - EXAMINERS

Time : 4.30 p.m. to 7.30 p.m.

TOPPERS '2013



1st Position MIRANDA M. | 3rd Position RATIMANJURI | 5th Position MIRANDA | 6th Position SYDENY TH. | 14th Position VIVEK A. | 15th Position REMA NAOREM | 16th Position SADA SALAM | 16th Position CHITRA KH. | 22nd Position BIDYALUXMI | 24th Position JAYALUXMI | 24th Position PRESCILA RK.

TOPPERS '2014



3rd Position LUHIYA NG. | 6th Position NEERA S. | 9th Position KHONEESH N. | 9th Position HARISON Y. | 12th Position KAILASH KUMAR N. | 13th Position L. DENILSON | 16th Position KH. PRAVIN | 18th Position BONNIE W. | 20th Position KELVIN M. | 21st Position MALEMNGANBA | 23rd Position INDERKUMAR

TOPPERS '2015



2nd Position G. Gopal Krishna | 3rd Position Ng. Victoria | 4th Position S.Shivaranjani | 7th Position RK. Babysana | 9th Position Ksh. Monica | 11th Position Thangminlal H. | 20th Position Bilson Oinam | 21st Position Gita E. | 21st Position S. Saya Devi | 22nd Position N. Nonibala | 23rd Position Jasmine H.

SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS
VAN SERVICE AVAILABLE
ALL CLASSES ARE STRICTLY MONITORED BY CCTV

:-9856988840 / 9863265726
9863222153

HL-B/2840/11/12-10/1